# নেশনল গেমস ২০২৫ : জিম্নাষ্টিক্সতা গোল্ড ১, সিলভর ২, ব্রোঞ্জ ১ য়াওনা মেদল ৭ লৌখ্রে





**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ (ঐচ এন এস):** উত্তরখন্দনা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লিবা ৩৮লক শুবা নেশনল গেমসকী ওইনা ঙসি মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা মখোয়গী হৈ-শিংবশিং মপূং ফানা উৎতুনা জিম্নাষ্টিক্সতা গোল্ড ১, সিলভর ২ অমসুং ব্রোঞ্জ ১ য়াওনা পূন্না মেদল ৭ লৌবা ঙমখ্রে। হৌজিক ফাওবগী ওইনা মণিপুরনা গোল্ড ১৪, সিলভর ১৫ অমসুং ব্রোঞ্জ ২৩ পূন্না মেদল ৫২ লৌবা ঙমখ্রে।

জিম্নাষ্টিক্সকী ওইনা ঙসি মণিপুরগী নহা ওইরিবী অরিহা পাঙম্বমনা ৱিমেন ইন্দিভিজ্যুএল এরোবিক জিম্নাষ্টিক্স কম্পিটিশনদা পোইন্ট ১৮.৪৫ ফংদুনা অহানবা মফম কনবা ঙমখিবগা লোয়ননা গোল্ড মেদল লৌখিবনি। ইভেন্ট অসিগী ওইনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মাজিদা খাটনা পোইন্ট ১৭.৩৫ অদুগা মহারাষ্ট্রগী গৌরি চন্দরনা পোইন্ট ১৫.৭৫ ফংদুনা মথংশিংনা সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ লৌখি। ইন্দিভিজ্যুএল এরোবিক কম্পিটিশনদা গোল্ড লৌখ্রবা মতুং সিনিয়র ট্রাইওদা অরিহা পাঙম্বম, মুতুম রোমেশ অমসুং ওক্রম উমাজিৎকী কাঙবুনা পোইন্ট ১৬.৭৬০ ফংদুনা সিলভর মেদল লৌবা ঙমখি। ইভেন্ট অসিগী ওইনা মহারাষ্ট্রগী টিমনা মণিপুরদগী পোইন্ট ০.৬৯ হেল্লগা পোইন্ট ১৭.৪৫০ ফংদুনা গোল্ড অদুগা গুজরাটনা পোইন্ট ১৬ ফংদুনা ব্রোঞ্জ লৌবা ঙমখি। এরোবিক জিম্নাষ্টিক্স কম্পিটিশনগী মিক্স প্যের কম্পিটিশনদা মুতুম রোমেশ অমসুং আর কে থোইথোইলেম্বী চনুগী পুংবানা সিলভর মেদল ১ মখা তানা লৌবা ঙমখি। মদুগী মতুং ৱিমেন্স এরোবিক গ্রুপ কম্পিটিশনদা অরিহা পাঙম্বম, অঞ্জোরি পাঙম্বম, হুইরেম জেসিকা, মালিয়ানী কোন্সম অমসুং লৈশিলেম্বী চবুংবমগী কাঙবুনা পোইন্ট ১৫.৫৩০ ফংদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখি।

ফেন্সিংগী ওইনা ঙসি মণিপুরনা মখা তানা ব্রোঞ্জ মেদল অনী লৌবা ঙমখি। মেন্স ফোইল টিম কম্পিটিশনদা মণিপুরগী ফেন্সরশিং ঐচ রবিকুমার, কে ঐচ রজিভ, কে অভিনাশ অমসুং এল তোম্বগী টিমনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখি। অদুগা মেন্স ইপি টিম কম্পিটিশনদনা এন সন্তোশ, ঈ দিনিকুমার, এল থৌঙম্বা অমসুং কে দ্রোনেলগী কাঙবুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখি।

মখা তারকপা ওইনা ষ্টেট জুদোকা লাইশ্রম রোশনীনা নুপীগী কেজি ৭৮ মথক্কীদা ব্রোঞ্জ মেদল অমা লৌবা ঙমখি। জুদোগী ওইনা চথরিবা নেশনল গেমস অসিদা হান্নদা ব্রোঞ্জ মেদল ৪ লৌখ্রবনি।

পনবা য়াবদি, চথরিবা নেশনল গেমস অসিগী ওইনা ইভেন্ট ৩৪ লৈবগী মনুংদা মণিপুরনা ইভেন্ট ২০দা শরুক য়ারি। মদুগী মনুংদা মণিপুরনা ইভেন্ট ১২দা মেদল লৌবা ঙমখ্রে।

**38th National Games 2025 Medal Tally**

| Rk | State | G | S | B | T |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | SSCB | 65 | 24 | 23 | 112 |
| 2 | Maharashtra | 48 | 60 | 62 | 170 |
| 3 | Haryana | 39 | 45 | 56 | 140 |
| 4 | Karnataka | 33 | 18 | 27 | 78 |
| 5 | Madhya Pradesh | 27 | 19 | 21 | 67 |
| 6 | Tamil Nadu | 24 | 30 | 28 | 82 |
| 7 | Uttarakhand | 22 | 33 | 42 | 97 |
| 8 | Punjab | 15 | 19 | 28 | 62 |
| 9 | Delhi | 14 | 15 | 26 | 55 |
| **10** | **Manipur** | **14** | **15** | **23** | **52** |

# এন সী এনা সী সী কে, সী দি সী সীনা এল সী সী অদুগা ৱাই এ এলনা কে সী সী মায়থীবা পীখ্রে





**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ (ঐচ এন এস):** মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএশন (এম এন সী এ)না শীন্দুনা হৌজিক চথরিবা ৪রক শুবা এম এন সী এ বোইজ অন্দর-১৪ টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা এন সী এ নম্বোলনা সী সী কে খোংমন, সী দি সী সী সগোলবন্দনা এল সী সী লমশাং অদুগা ৱাই এ এল থৌবালনা কে সী সী কোংবা মায়থীবা পীখ্রে

ঙসি অয়ূক অঙনবদগী হৌরগা লাইরেঞ্জম পব্লিক গ্রাউন্দদা এন সী এ অমসুং সী সী কেগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস এন সী এনা ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌদুনা শান্নখি। এন সী এনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা অপীবা ওভর ৩০ লোইবদা ৱিকেট ৩ তুরগা রন ৩৫৬ লৌবা ঙমখি।

সী সী কেনা টার্গেট রন লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা টিম অদুগী বেটসমেন বিক্রমজিৎনা রন ১৩খক লৌরমখিবা অদু নৎতনা অতোপ্পা বেটসমেন অমত্তনা দিজিট অনী শুনা রনশিং লৌবা ঙমখিদবদগী ওভর ৯.৪ শুরকপদা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ৪৯ খক্তমক লৌবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদু এন সী এনা লাকচনা রন ৩০৭তা মায় পাকখি।

মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচনা এন সী এগী থোঙাম রাহুলনা তাখি। মহাক্না বোল ১১১ মায়োক্নবদা রন ১৯৫ লৌদুনা আউট ওইদনা লৈবা ঙমখি অমদি ওভর ১দা ৱিকেট ২সু লৌরমখি।

খুদৈবন্দ লম্পাক তাওথোংদা সী দি সী সী অমসুং এল সী সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস সী দি সী সীনা ঙমদুনা হান্না ফিল্ডিং তৌনবা খনখিবদগী অহানবা ইন্নিংসতা এল সী সীনা বেটিং তৌদুনা শান্নখি। ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওভর ২৫.১ শুরকপদা এল সী সীগী ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ৮৮ খক্তমক লৌবা ঙমখি।

সী দি সী সীনা টার্গেট রন লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওভর ১০.৫ শুরকপদা ৱিকেট ২ তুরগা টার্গেট রন হেন্দোক্তুনা পূন্না রন ৯০ লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু সী দি সী সীনা ৱিকেট ৮দা মায় পাকখিবনি।

মেটচ অদুগী মেন ওফ দি মেটচনা সী দি সী সীগী ইকবাল কোরিময়ুমনা তাখি। মহাক্না ওভর ৬তা ৱিকেট ৫ লৌরমখি।

এস ঈ দি ও সী গ্রাউন্দ কোংবা ধোবী লম্পাক্তা ৱাই এ এল অমসুং কে সী সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা ৱাই এ এলনা ৱিকেট ৯দা লাকচনা মায় পাকখি। মেটচ অসিগী ওইনা কে সী সীনা ওভর ১২.২দা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ৫০ লৌখি। অদুগা ৱাই এ এলনা ওভর ৬.৫দা ৱিকেট ১ খক তুরগা রন ৫৪ লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু ৱিকেট ৯দা মায় পাকখিবনি।

মেটচ অদুগী মেন ওফ দি মেটচনা ৱাই এ এলগী কৈশাম নোংপোকঙানবনা তাখি। মহাক্না ওভর ৬তা ৱিকেট ৬ লৌরমখি।

### ৱিমেন্স অন্দর-১৫ ৱান দে ট্রোফি

# শেদো থাংমৈবন্দনা এম পি এ থৌনাওজমবু লাকচনা রন ১৯৪দা থোইবা ঙমখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ (ঐচ এন এস):** মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএশন (এম এন সী এ)না শীন্দুনা চথরিবা অনীরকশুবা এম এন সী এ ৱিমেন্স অন্দর-১৫ ৱান দে ট্রোফি ২০২৪-২৫গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা শেদো থাংমৈবন্দনা এম পি এ থৌনাওজমবু লাকচনা রন ১৯৪দা থোইবা ঙমখ্রে।





ঙসি অয়ূক অঙনবদগী হৌরগা পি সী সী গ্রাউন্দ ময়াইকোইবীদা শেদো অমসুং এম পি এগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস শেদোনা ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌদুনা শান্নখি। অহানবা ইন্নিংসতা শেদোনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা অদুগী ওইনা ভিভিএন লাইশ্রম অমসুং হংলেম মালেমঙানবীনা ওপনর বেটসমেনশিং ওইখি। ওপনর বেটসমেন মালেমঙানবী বোল ৪ মায়োক্নবদা রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আউট ওইখ্রবসু অতোপ্পা ওপনর বেটসমেন ভিভিএননা হৈন-শিংনা মায়োক্নরিবা টিমগী বোলরশিংনা চথরকখিবা এটেকশিং মায়োক য়াদুনা ক্রিজতা মতম শাংনা লৈদুনা শান্নবা ঙমখি। মহাক্না বোল ৯৬ মায়োক্নবদা রন ১৭৭ লৌদুনা টিমগী রন মশীং য়ামহনবদা চাওনা মতেং পাংলমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা অপীবা ওভর ৩০ লোইবদা শেদোগী ৱিকেট ৫ তুরগা পূন্না রন ৩১১ লৌবা ঙমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা বেটসমেন সামিতা কাঙবমনা বোল ৬২ মায়োক্নবদা রন ৫৪ লৌদুনা অমুক্কা হেন্না রন মশীং য়ামহনবদা চাওনা মতেং পাংলমখি। অতোপ্পা বেটসমেন চান্দম প্রিয়াদাশিনীনা বোল ৭ মায়োক্নবদা রন ১০ লৌরগা আউট ওইদনা লৈবা ঙমখি।

এম পি এনা টার্গেট রন ৩১২ লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা টিম অদুগী বেটসমেন অয়াম্বনা মায়োক্নরিবা টিমগী বোলরশিংনা চথরকখিবা মখল -মখা কয়াগী এটেকশিং মায়োক য়াদুনা ক্রিজতা মতম শাংনা খাঙদুনা শান্নবা ঙমখিদে। মদুনা মরম ওইরগা ওভর ২৩.৫ শুরকপদা টিম অদুগী ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ১১৭ তগী হেন্না লৌবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু শেদো থাংমৈবন্দনা লাকচনা রন ১৯৪দা মায় পাকখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী মেন ওফ দি মেটচনা শেদো থাংমৈবন্দগী ভিভিএন লাইশ্রমনা তাখি।




## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1392**

**FM Roy Vagman (2254) - FM A. Axelrod (2161)**
**ch-ISR 2024 Eilat ISR, 2025.01.24**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 e6 | 2.d4 d5 | 3.e5 c5 | 4.c3 Ne7 |
| 5.Nf3 Nec6 | 6.Bd3 b6 | 7.Qe2 a5 | 8.h4 Ba6 |
| 9.Bxa6 Nxa6 | 10.h5 Nc7 | 11.a4 c4 | 12.Rh3 h6 |
| 13.Kf1 Qb8 | 14.g4 b5 | 15.g5 bxa4 | 16.gxh6 gxh6 |
| 17.Nh2 Qb3 | 18.Rg3 Ne7 | 19.Ng4 Nf5 | 20.Rf3 Nb5 |
| 21.Nf6+ Kd8 | 22.Nxd5 exd5 | 23.Rxf5… | |

**QUESTION :** Black to win

**Puzzle 1391 Solution :**

**32. Qd1 Nf6**
32...Ne3+ 33.Bxe3
32...Bd4 33.Qxg4
32...Ne5 33.Bg8+ Kxg8 34.Qxd6
**33. Bg8+** With a discovered attack by the white queen on Black's queen. The white bishop moves out of the pin by Black's queen against White's queen. **Nxg8**
33...Kxg8 34.Qxd6
**34. Qxd6**
**1-0**




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com